ৱারী ককনাউ

# মোরেল সাইন্স

"হে নঙ ঐনা পামদনগা লৌখিবা নত্তেকো, অহল-লমনশিংনা হায়না শিংনবদগী নমাই ঙাকপীদুনা লৌখিবনি। হৌজিক্তি ঐ নঙ পামদ্রে, ঐ নঙগী নশক্তু শুকয়েং য়েংনীংদ্রে। নঙনা অপাম্বা তৌখিবদা ঐ করিমত্তা য়েৎলোই কো। য়ারে নঙনা অপাম্বা তৌরো"

কয়াদা মীনুংশি য়াওখিদ্রবা ৱাহেনো? সুমাইনগা তৌরক্কনি হায়বসি কনানা থাজগনি। লাইরিক হৈবদা লৈকায়সিদা মমিং শোন্নরম্মীবনি ইবোহলসি। মমা মপানসু মথন্তা পোকপনি। কেথোক মৌথোক্লা য়োক্লবসু লাইরিক্তি অদুম ফরকই। মেত্রিক এগজামদা পোজিসন লৌরকখিবনি। ক্লবনা মাবু মপূক্লিং থৌগৎতুনা লৈ পরেংগা হুক্তুনা মনা পীখিবনি। হৌজিক্লা লৈঙাক্কী মমিং লৈরবা কোলেজ অমগী মোরেল সাইন্সকী প্রোফেসর ওইরি। কয়াদা ঙকখ্রবা, নোংমা মাগী মহৈরোয় নুপীমচা অমদা মখূৎ শাংলুবদগী ফারগা ফুরকখিবদগী য়ুদা অমুক লাইচুরবা মীশক অমা ওইরে।

মাগী নুপী মেমী, য়াম ঈং-তপ্পী, মানগা খরা ফিংলল্লবদি নহান্না মপামদা হল্লমলদবনি। লৈখা তানা মাঙলক্লিবা মাগী মপুরোইবগী পুন্সিবু হান্নগী পুন্সিদা হঞ্জিনহনবা ঙমখিগনি হায়বসি হৌজিকসু মহাক থাজবা মাঙদ্রিবনি। অদুবু ঙসিদি মপুরোইবগী ৱাহৈদু তাবদা খিত্তং ৱারৌই।

"কৈনোদা, মদু য়ৌনদি হায়বীগনুদা। ঐ ঙসি ফাওবগী মনুংদা নোংমতা অপেন-পেন্দা অমত্তা উৎচরক্ত্রিবনি। খাঙবা য়াবা খাঙলিবনি। নহাক্কী পুন্সিবু অমুক্তং চিংখৎখিগে হায়দুনা লৈরিবনি। নচা পাখং ফারবা মতমসিদা তৌরিবা মতৌসি য়াম্নদি চুমদবনি"

করি...? নঙনা ওজা শাবা য়ারোই, ঐ ওজানি, কোলেজগী ওজা, প্রোফেসর। নঙগুম্বনা তাকপা য়াবা মী নত্তে। ঐনা তৌরিসে ঐগী পুন্সিনি"

"মায়ওন কায়রে পুন্সিগী খোঙচৎতো। মদুনদি নচাসু ফবা হৌনদে"

"হৈৎ! লাইরিক হৈতবী, নঙ ঙসি শিনি হায়সিনিকো। য়াম ঙাঙনু' হৌগৎপফাও নিংথিনা ঙমদ্রবা ফমুংদা লোংনা তারগা ঙাঙলিবা ইবোহলদু হন্দক্তি মখোঙদু ফমুংদা থিল্লকই।

"হেক তৌর' শিনি শিনি। ফুররো লাও-ও, কাওররো লাও-ও, শিরসু নখূত্তা শিরগে। (কপঙাঙ ঙাঙদুনা) মপুরোয়বগী মখূৎতা শিবদি চঙনা মহয় ফংই হায়নৈয়ে, হাৎলরো শিরগে, ঐ নখূত্তা শিরগে"

"মসি ৱা য়াম ঙাঙখ্রেদা" ফুক হৌগৎলগা মেমীদা ফূনবা লাম্মকই। ফীভম অমা চাহৌদবদগী ফমুংদগী লোংনা ফম্মাংদা বুপ লাউনা তারকই। মেমী হন্না য়েংদে। কাদগী মপান থোকখিগে তৌই। ইবোহলনা কন্না লাউরকই।

"হে নঙ চৎখিনু, নঙ হাত্তোক্কে"

ঙসাইমখৈ মাঙ্গোলদা মীহুল ফাথরগা তারিবা ইবোহলগী মপাদু লিচৈ অমা কোক-কোক শুদুনা চঙলকই।

"হে! ঐ তাগে হায়না তাবনি, নঙ য়াম হেল্লে। করিগীনো নঙনা অসুক য়াম্না ঐবু উশিৎত্রিবসে। নঙ ঐসি কনানি হায়না খল্লি। ইমৌসিনা সুক য়াম্না নঙগীদমক হোৎনবসিবু নঙনা শিংথাদ্রিসি করিগীনো? নঙবু মী ওইনবা শেন্নকপনি। ঐনা শেন্বদা শোইরমাল্লে, নঙ মী ওইবা ঙমদ্রে। মী ওইবা ঙমদ্রবা নঙদি লিচৈসিনা নয়াংলেন্দুদা কল্লগা ফগদবনি" সেৎ সেৎ কল্লি। ইবোহলদু লাউ খোংদুনা খাঙই। মেমী য়েংবা ঙমদ্রমাল্লে, মপুরোইবগী মাঙদা থৎতুনা লেপ্পলগা মকুবু খাম্মী।

"বাজি তোকপীরো... তোকপীরো বাজি..."

"ইমৌ ইবেম্মা অহ! নঙগী থম্মোয় অসিদি ফজখ্রেদা, নঙবু হাৎকে তেমশিংলিবা নপুরোইবগী অৱাবা য়েংবা ঙমদবদগী নঙ ঐবু খাল্লিবনিনে। থাগৎলি নঙবু ইকুনা থাগৎলি। মোরেল য়াওদবা নঙগী নুপা এম এ (মোরেল সাইন্স) সে নঙনা মোরেল তন্বীয়ু। মানা কোলেজদা মোরেল সাইন্স তাকপদগী তুংদা হৌরক্কদবা অঙাং অমত্তা মোরেল য়াওররোই"

"বাজি..."

ইবোহলদু হায়রিবদু মুন্না তাই, খুমদে, তুমিন লৈখ্রে, নিশাগা হনখ্রবা মাল্লি। মপা থোকখ্রবা মতুংদা মাগী নুপীদা মুন্না য়েংলগা মপি ইরা খরা চেনখিবগুম তৌই। মেমীসু মাগী মপুরোইবগী মতৌদুদা তপ্পা চঙশিল্লগা ফমথৈ। মকুগী লিচৈনা কল্লন্বা মপুরোইবগী মশাদা তারিবা চৈফমশিংদু অমোনবা মখূৎতুনা তপ্পা নানবীরি। মাসু মপি খরদি তাখিবগুম তৌখি।■

– **নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

*(লমায় ৬কী মখা)*

অসুক্কী মতিক কন্না চিল্লরে, মদুদি মহাক খংদুনা ফমুংদুদা য়াওল্লে, তাঞ্জাদুমক্তদা মাগী নুপীনা অমুক্কসু হংজিল্লক্লে -: করি তৌরগে? কৈদৌরগে নঙনা তূমদ্রিসিবু?" মখোয়নিমক তূম্নদ্রে।

মখোয়নিমক্কী অপাম্বা চপ মান্নরে। চেক শূবদুগী ইমুংদা অমাঙ-অতা থোকপগী শক্তম অদুদা শাগৎনরক্লে। মখোয়নিগী মিৎমাঙদা কোসমেগী শক্তমদু চোংথোক্লক্লে, চাউথ্রোক চাউনা সড়ক্তা অচিকপদা লৈবা উরে, মাগী গাড়ীদুগী দ্রাইভরগী ফমফম অদুদা মমায় লুকথনা লৈবা উরে, মশমদি লুমাঙদা হাইথরদুনা পিশুম য়ৌনা, মমিৎ অশংবদুগী নাকচিদুদা মাগী অঙাংবা চেক মকূপকী পোৎ অদুদা য়েংবা ওইনা লৈবা। নৎত্রগা মখোয়নিমক্লা অতোপ্পা শক্তম অমমুক উরে, পুলিস সর্জেন্ট অমনা অয়ূক অমা কোসমেগী য়ূমদা থুংলবা। পুলিস অদুনা লাউররে। মখোয় মতৈ-মনাওদি উদি উহন্দনা লৈকোললোমদা হাংদোক্লিবা থোঙনাউ মরুমদা তারি-"মেদাম, নঙগী নুপাসি ফাবা লাকপনি, পোৎ হূরানবগী।"

ফীভমদুদা কোসমেগী নুপীদু শোয়দনা পাখৎতুনা টাইল থারিবা ইমুংগী লৈমায়দুদা ৱাহ্নগনি, কপ লাউদুনা। মদুদা মখোয় মতৈ-মনাওনা নুংশিবা শাদুনা চেনশিনগনি, নুপীদু কোনখৎপীরুনি, হংলদুনা : - "কৈদৌরে, কৈদৌরগে মেদাম, করি থোক্লগে?"

জোক্কিন্দু ৱাখলদুদা কুইনা উংবদু ঙল্লক্ত্রদুনা খংলাউ লাউরকই :- "নত্তে, মখোয়না নুপাসিবু হেক্তা হূরানবনি হায়রুবা য়ারোই।"

-"করিগী য়ারোই।" মাগী নুপীনা খুল্লকই।

জোক্কিন্না লৈশিল্লক্তুনা মাগী নুপীগী মোন্দা মপাম্নোম থল্লকই অদুগা হায় : "মখোয়না মাবু চহী অনী মঙায় জেলদা থল্লবদা অদুসু ফীভমগী মখা পোন্না। কোক চিকপা ৱাফম অমা লৈরি।

- "ঐসু খঙই।" মাগী নুপীনা খুল্লকই।

- "ঐ হরাউই, নঙসু ৱাফমদু খঙলম্বা। মান্নি, তশেংনা ঐনা পাম্বদি মখোয়গী য়ূমসি নিলাম লাউরবা অদুনি।

- "অদুদি কনানা লাউরনি?"

- "মানা শূরিবা থবক্তুগী মপুদো অদুনা... অহিংগী অমম্বা মরক্তুদা ৱাখলগী লংজিন ফংবদগী খংঙান ঙাল্লকই। আইনগী থোঙদা চথুরক্কদবা ময়ামদু মমিৎতা উরকই।

- নোংমা নোংমাইজিং অমদা মখোয়গী সড়কসি মীনা থল্লরনি, থবক মপুদুনা জজ অমদগী নিলামগী চে পায়রদুনা লাক্কনি। মদুদা পেনগনি, য়ূমলোন্নবা করাম চাউবা অসিগী চপ চাবা দন্দিনি।

অহিংসিদা মতৈ-মনাওগী মিত্তা উরকই - অঙাঙবা ফিরাল অমা ৱাতোন অমদা পাইরগদবা অদু। মতমদুদা মখোয় অনীনা মখোয়গী ইমুংদা লোন্না ৱারী শানরদুনা লৈগনি - কোয়লা মতুম য়োনবদুগী নুপীগা, নৎত্রগা বেকরি নুপাদুগী নুপীগা - থমোয় শেংনা, মীনা ব্যাবহার তৌনা লৈবসিনা ফৈকো হায়ননি - পাই অমগীদমক খূৎ শাংলুরবদি দশা তাইকো হায়ননি।

মাগী ৱাহৈশিংদু য়োৎথরদুনা জোক্কিন্না মখা তারকই : "মী হায়বসি কনাসু পীথোক্লিংবা য়াওপোত্তে। থবক মপু অদুসু অদু মঙায় - কোসমেবু মরাল পীশিন্দুনা ফারদি মানা পীগদবা খূৎশুমল অদু পীদবা য়াদৌরিনি। মাগী পোৎ কোসমেনা খরা হূখ্রবনিনা মরাল শীবা য়ারনি।'

- "অদুবু পৈশাদি খজিকখক্কী ওইদৌরিনি?"

জোক্কিন্না থৌ শাদনা খুল্লকই : "পৈশা খজিকখক হায়বা? নঙসি পঙখ্রে। নোংমসু উ শূবা নুপা অমা ফাখ্রিদুদি উপাক খরা, য়োৎপী পেকেট অমখক হূরগা পুরুবগী? ঐখোয়নিগী ৱাসি সুম য়েৎনরদি কমদৌনা লোইরনি। নত্তে, অদুনা হনী! নঙ নবুক লাঙগনু, ৱাখল চেৎলু।"

- "হোয়নে, নঙদা ৱাখল মাঙগনু... অদুদি কমদৌনা শীনবা তারে ৱাফমসি?"

- "ৱা হায়বু হয়েং নোং ঙানবগা মানা থবক শূরিবা মফম অদু ঐনা থিদোক্লুরনি। থবক মপুদুগী লৈফম, চাফম খঙলুরনি।"

- "হা! অদুদি নঙ মপুদুদা চিঠী ইরোইদৌরিরা?"

- "হোয়, ইদৌরিনি, খূৎ খঙখিনি, টাইপ নমদুনা ইগনি অদুগা ঐগী মিং থাখিরোই।"

- "অদুগা মুন্না খলহৌকো, মসিগী তাৎ হৈবী, মতু অসিনা তৌরক্কদবা খঙঙু। নঙনা খঙদা তৌরিনি, ঙরাংসি মানা ঐবু কৈনো অমা য়েংঙুনে হায়জিন্নরগা নাপল তৌরল্লিনি - 'ও! নঙবু খঙদ্রিরো? ঐখোয় নুপানা হায়রিবা, মাগী শূরিবা থবকসি হেক লোইবগা ঐখোয়গী থোঙ পূম্বা শট্টর পাল্লনি হায়দো।' অদুম্না মানা ৱাথী ঙাঙলিদু অতৈগী নৎলমদ্রে, ঐগী হামেং লৌবা য়ানবা ওইরম্বগী ৱানি।"

- "শাগুম্বা মী ঙাক্তনিদা!"

- "অদো খল্লু, কমদৌনা মখোয়সি লোয়নদৌগে হায়দু।"

- "ফরেসে তূম্লসি .. হয়েং অমুক খন্নরসি, তৌগেসে ঐ।"

অদু হায়রগা জোক্কিন্দু হাকাম লাওনা চল্লকই, চোকথরদুনা মাগী নুপীদা হায়রকই : "ঐ তূম্নি ংলক্লে, হয়েং য়াহৌ ঙন্নরসি, দিয়ার!

- "অদো, নঙ ঐবুদি চুপ্পিরল্লরোইদ্রা, দিয়ার!

- "সে চুপ্লগে... তূম্লসিকো।"■

*ইংরাজিদা : মেরী জেন ব্রিলকী*
*মীতৈলোন্দা : সলাম তোম্বা*
*(অর্জেন্টিনাগী ৱারীমচা)*

মতম মতমগী ৱাফম

# ফিরাল মমায় চুম্লিঁগে মরুপ ৱাৎতে মীরমল্লেন্দা



জি সি তোংব্রা মশানা হিংলিঙৈদা উখিবা, তাখিবা, খঙখিবা ময়াম, মহাক্লা লীলা ড্রামা ওইনা নৎত্রবা ৱারেং অমা ওইনা ইথোক্লকপদা য়াওরকই। মহাক্কী খূৎই খুফোঙদোক ময়ামদগী তোঙাল্লি। ৱাখল খন্নবা, অচুম্বা ৱাবু ফাগী তৌদুনা করেম্নরগা মীবু নোকহনবা শেংদোকচহনবা মখলগী খূৎইনি। নোক্লিঙৈদা মীশিংনা ৱাখল চঙদে। নোকখিবা লোইরবা মতুংদনি ৱাখল লাক্কদৌরিবসি। হন্দক মরকসি জি সি তোংব্রা য়াম্না নীংশিংলকই। কুম-থা ওইরকপসিনা ওইরম্বা তাই। হৌখিবা কুমশীং ১৯৯৬, জুনগী তাং ৩দা লৈখিদবনি। লৈখিদবা চহী ২৩ চপ চানা শুরল্লে। মহাক্লা লৈখিদবা মতমদা মশাগী চহী ৮৩ শুখ্রে। ৱাখল লৌশিংগা ইমাঙ মাঙদা লৈখিদবনি। ৱাফম অনীখক নীংশিংঙি। জি সি তোংব্রনা অহল খরা ওইশিল্লক্তুনা হকচাং খরা খরা ঙমলক্তবা মতম্নি। ঙমদ ঙমদনা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুরী ডান্স একাদেমীদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়াখি। মশামক্লা ফম্বাক্তা কাখৎলক্লগা ৱা ঙাঙখি। মীয়াম্না শৌরগা ফম্বাক্তা পুখৎপীখি। পোডিয়মদা পায়রগা ৱা ঙাঙলকপা মতমদদি শোনবসু মান্দে, হকচাং ইকন কন্না হান্নগুম্না অদুম ঙাঙখি। মতমদু রিশাং কৈশিংনা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরসু ওইরিঙৈনি। কাঙলুপকী ঈরাং নগা কুকী অনীগী মরক্তা কন্না মূক্লরিঙৈনি। মণিপুরগী রাজনীতিগী ওইনসু য়াম্না চরাংনবা মতাংনি। চোংথোক চোংশিন লৈঙাক্কী অকনবা মতম্নি। তোংব্রানা হায়খি, "ঐদি কুইররোই যমগী লৈবাক্তা চৎলগনি । যমগী লৈপাক য়ৌবগা যমনা মণিপুরগী মরমদা ঐঙোন্দা ৱা খরা হংলক্কনি মদুদা ঐবু করি হায়না খুন্মুগে?" ময়াম ৱা লাওনা নোকখি। ঐখোয়না অমুক্তা নোকপা উজদ্রিবা প্রোফেসর এলাংবম নীলকান্তনা নুমিৎতুদা কন্না নোকপা ঐনা উজখি। চূম্না নোকপদা নত্তে ওঝাগী ফৈজোম ফাওবা পিনা চোৎখি। ডাইসতা ফল্লিবা চীফ মিনিষ্টর নোকখি। নোক্তবা নুমিৎতুগী মী য়াওখিদে । জিসি তোংব্রানা হায়খিবদো ময়াম কোন্নদি ৱাখল খন্নরক্লমগনি।

অনীশুবা ৱাফম অমনা জিসি তোংব্রানা লৈখিদবগী পাউ তাবদা হংবা লাকখিবা, অৱাবা ফোংদোক্লখিবসি থা অমারোম হায়বা য়াই নুংতিগী ফোঙলিবা চেফোংশিংদা ইরকখিবসি তোংব্রাগী মরমদা অৱাবা ফোঙদোকপা ৱাফম ঙাক্তনি। মহাক্লা খ্বাইগী মী ওইখিবা, মীয়ামগী খনবা, মীবু ৱাখল খন্ননবা নোকহনবা ঙম্বা মশক নাইবা ওঝা অমা ওইনসু, অইবা অমা ওইনসু মশেক মঙাল অদুনা মহাকপু নুংশিবীদুনা মীয়াম্না ইবীখিবনি, পেপরশিংদা অৱাবা ফোঙদোকচখিবনি। জি সি তোংব্রা লৈখিদবগী নোংঙাল্লগা মীয়াম্না হংবা চৎনখি। নুমিৎ মরি/মঙানিরোম লৈখিদবগী য়ূমদা হংবা লাকপা লেপখিদবা শক্লাইখিবা অইবনি। মহাক্কী ফিরোই নুমিৎতা "তোংব্রাগী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি" হায়বা অচম্বা অৱাবা ফোঙদোকপা ৱারোল ইবা চেফোঙ মচা অমসু পুথোকখি। চেফোঙদুগী মনুংদা অৱাবা ফোঙদোকপা ময়ামগী ৱারোল হাপ্লি । ইকায়খুম্নজরিবা পাবুং অরীবম শ্যাম শর্ম্মনা ইবা অৱাবা ফোঙদোকপা ৱারোল অমদা অসুম্না ইরম্মী। "চহী অমা অনীরোমগী মমাঙদা জে এন মণিপুর ডান্স একাদেমীগী ভেরেন্দাদা ওঝাগা উন্নে। ঐনা খুরুম্মী। ঐনা হংই- ওঝাবু হকচাং করম তৌবীরি ? ওঝানা খুম্মী- লোইনমক লীলানি।.." পাউখুমসিদা নোক্লিংলপ তৌরগা ৱাখল খন্নবা য়াওরি ।

পাবুং অরীবম শ্যাম্না উন্নে হায়রিবসি মথক্তা ঐনা পঞ্জখিবা থৌরম অসিদা ওইগনি। নুমিৎ অদুদা তিনখিদবা, লাকখিদবা মী লৈত্রে। মরমদি জি সি তোংব্রা লাক্কনি, মহাক হকচাং ঙমদ্রবসু ফঙ্কসন্দা ৱা ঙাঙবীরগনি হায়বসিদা ময়াম্না ঙায়নখি। নুমিৎ অদুগী মতুংদগী জিসি তোংব্রা ফঙ্কসনশিংদা হকচাং ঙমদবনা মরম ওইরগা শরুক য়াখিদ্রে, খরা লৈরগা মহাক লৈতবগী পাউনা ইকং থোক্লবা লমদম অসিদা নোংলিক ওইনা খিকখি।

ৱারেংজরিবা ঐনা ঙসি মণিপুরনা মহৌশাগী খল কাইরকপগী শাবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা, মতম চানা চুগদবা নোংনা ঙসি ফাওবা মশক উৎলকত্রিবা, ৱানরবা মতম লৈঙাকলোনগী তংদু লৈতারকত্রিবা, চরাংনবা মতম অসিদা জিসি তোংব্রানা হিংলমদুনা খূৎতা খোর্জ্জে পায়বা মতম থোক্লগদি করম্বা ড্রামা লীলা নৎত্রবা ৱারেং অমা ইরক্কদগে হায়বসি খনখি। মহাক্লা ইখিবা অমসু নীংশিংলকই- "মীচং মীখায় নায়বা খদ্রকতন্ত্রগী লৈবাক, ঐ লৈররোই পোৎ মমল নুংতিগী হেঙ্গৎপা ইকায়দবা খৈদেনসিদা । নুংশিরবা প্রজাশা ! লৈঙাক পথাপসি শিন্দোকপা ফৈ...ঙা মচাশা, অনৈবা পুখ্রীসি থাদোক অরুবা পাৎতা চৎনখ্রসে ।"

"ফিরাল মমাই চুম্মীঙৈদা মরুপ ৱাৎতে মীরমলেন্দা।" তোংব্রাগী ফজখ্রবা খোরিরোলগী ৱাহৈনি। ঐনা সুককাউ কাউবা ঙমখিদে । ওফিসর অচৌবা ওইরিঙৈ, ফম্নাইবা অঙম অথৌ, মন্ত্রি ওইরিঙৈদা য়ূমদা লাকখিবা,খল্লখিবা, পীরখিবা অহাউ অথুম কয়া থবক্তগী পোত্থারবা, মন্ত্রি ফম পায়দ্রবা মতমদদি হান্না লাক্লম্বশিং লাক্লখিদে। ৱারী ওইনা হায়নখিবা অমসু লৈ, মন্ত্রি ওইরিঙৈ, অচৌ অশাং ওইরিঙৈদদি মন্ত্রিগী হুই শিবা ফাওবা হংবা লাকই । মন্ত্রি ওইদ্রবা, ফম পুদ্রবা মতমদদি হুইদি লাইরদনা মন্ত্রি, ওফিসর ওইরম্বা মশানা হকচাং ঙল্লক্তবদা পাউ তারবসু মনাক্তা হংবা লাকপদি লাইরদা লম্বীদা উবদা ফাওবা কৌদবা, উশিন্নদবা য়াওই হায়নৈ। সার সার হায়রম্বা অয়ূক্কী নুমিদাংগী কোইনপ নপলম্বা কয়া শক্তি পায়দ্রবা মতমদদি ময়াক চমখি। মন্ত্রি ওইরম্বা, ওফিসর ওইরম্বনা ফোন তৌরুবদা পায়রক্তবা য়াম্না য়াওই হায়নৈ । মতাংসিদনি ঐনা জিসি তোংব্রাগী "ফিরাল মমাই চুম্মীঙৈদা মরুপ ৱাৎতে মীরমলেন্দা।" ৱাহৈসি হেক্তা নীংশিংলকই । জিসি তোংব্রানা হায়রম্বা, ইরম্বদদি- 'কল্পনা স্বয়ম্বর' হায়বা অমদনি। অইবনদি কল্পনা স্বয়ম্বরবু 'নোক্লিং ৱারীমচা' হায়না থারম্মী। স্কোলার খরনদি ৱারীমচা ওইদে হায়নবসু লৈখি। য়েৎনগনবা লৈপাক্লি। য়েৎহৌদ্রগদি, করিগুম্বা অমা হায়হৌদ্রগদি হৈনদবসু লৈজাৎনি। অচুম্বা অমদি লৈজরমগনি, থিরিবশিংনা খঙগনি। ৱারী অসিদা চাউনু কৌবা করেক্টরসিনা ওইদবা ৱারী অমা লীবদা মায় পাক্লক্কদবা উবদা, নিংথৌ মচানুপী কল্পনা ফংখ্রগনি নিংথৌনা চাল্লগনি হায়দুনা ৱারী তাবীবা ময়াম্না চাওনুদা নপশিল্লকপদা জিসি তোংব্রানা ৱাহৈসি হায়বনি।

তোংব্রাগী ৱারীসি হৌজিক লমদমসিদা য়াম্না চুনরকই । কল্পনা-স্বয়ম্বরগী অহৌবদা অসুম্না হৌই। "ইবোবী শর্ম্মনা ৱারী অমা লী। কনানা অহানবদা লেংখিবা ওইরিদনো খঙদে। অতাবা ঐনা অমুক শম্না লীজরি, অপাবনা অমুক লীথোকপিখো নুংঙাইবীরবদি।"

লমদমসিদা ঐখোয়সে নোক্তবা কুইরে। লম্বীদা উন্নবদা মীশিংসে ইসু সুগৎনৈ। শাবগীসু শুগৎলিদি হায়ববু নোক্লিংদবগী নোক্তবা কুইরকপগী শুগৎপনা হেল্লি। ঐখোয়দা, ঐখোয়গী লমদমসিগী পূন্সি মহীংদা জিসি তোংব্রাগুম্বা ওঝা এলাংবম দিনমণিগুম্বা ফাগী পুবা মীগী মথৌ হেক হেক তারকই। স্কুলদা লাইরিক তম্লিঙৈদা পারা হংগনবা, ঙাঙগনবা, ফুগনবা, চৈগনবা ওঝাবু মহৈরোয় ছাত্রশিংনা নুংশিদে। মহাক চংলকপদা হৈনদে, কিনৈ। মহৈরোয়শিংগী মায়থোংদা লাঙজরম্বা, নোকচরম্বা ময়ামদো ফুগনবা, ঙাঙগনবা ওঝানা ক্লাস চংলকপদা মায়থোং মকশিনখিবগুম ঐখোয় অমগা অমগা উন্নবদা মায়থোং মকশিন্নরে। লোয়নমক ঙাঙগনবা, চৈগনবা ওঝা ঙাক্তা ওইনা উনরে। মশাগী কান্নবা ফংদ্রগদি লাক্লিংদবা,তিন্ননীংদবা, নপনিংদবা মীগী মশীংনা হেনগৎলকই । কান্নবা হেক ফংদবদা অমদা হেক্তা নপখি। য়ূম হেক্তা হোংখি। মামুক ফাবা মী লৈতে হায়রম্বা মহাক্তু মাগী কান্নবা হেক পীদবদা, ফংহন্দবদা মামুক ফৎতবা মী লৈতে হায়না ৱা ওম্লোক্লকই। ঐগী ওইরম্বা মহাক্লা মীগী ওইখিবসি থম্মোয় কায়নিংঙাইনি, ভোট ময়াগুম্বা য়াওশং ময়াগুম্বদদি। মসি লৈঙাকলোন্দসু উরকই, খুন্নাইলোন্দসু থেংনৈ। ঐনা নুংঙাইরিঙৈ, ইৱা চৎলিঙৈদা সার কৌরম্বা, ঐগী মী ওইবা অসিবুনি তোংব্রাগী "ফিরাল মমাই চুম্মীঙৈদা মরুপ ৱাৎতে মীরমলেন্দা " হায়রিবসি। কল্পনা স্বয়ম্বরদা কল্পনা ফংগে হায়রবদি চাওনুগুম্না ওইদবা ৱারী লীবগুম লীবা তারিব্রা ? কন্দিসন্না, ফিভম্না মতমনা ওইদবা ঙাঙবদি লাইনসু য়াগনি। মশাগী কান্নবা হেন্না ফংনবা, মীয়ামগী খন্দনা ওইদবা ঙাঙবসিমদি লাইদি ৱা ঙাঙলরোই মীদি ঙাঙনরগনি। হৌজিক মফম খুদিংমক্তা ৱাফমসি হেনগৎলকই। মশাগী অশোয়বা অরানবসি মী মশানা খঙনদ্রে। লীলা, ড্রামা ওইনা শান্নহল্লগা মশানা য়েংহনবা নৎত্রগদি খঙবা ঙমগদবা মান্দ্রে। মতাং অসিদনি ঐনা শক্লাইখিবা প্লেরাইড জিসি তোংব্রাগুম্বা, ৱারীমচা ইবদা হৈ-শিংলবা ওঝা দিনমণিগুম্বা নীংশিংজরকইবসি। পাম্মুই মখোয় অমুক লাক্লরোই। অচুম্বা ৱাবু ফাগী ওইনা, অরানবশিংবুসু ফাগী ওইনা করেম্নবোই করিবোই তৌদুনা অরানবা উহনবা লীলা, ড্রামা, ৱারীমচা ওইনা ইবীরম্বা মখোয় হল্লক্লরোই । ঙাইহাক্তা ওইরবসু নোক্লবা, ৱাখল খজিক্তা ওইরবসু খন্নবা ঐখোয় জিসি তোংব্রাগী 'কল্পনা স্বয়ম্বর'সি অমুক্তং হল্লগা ময়াম পাহঞ্জনিংঙি।■

*– মাখোনমনি মোংসাবা*

## শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ট (২শুবা)

# লোই থাবা

***(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা 'শ্রীকান্ট' পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তগী ডা. কুনজেশ্বর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা )***

*ডা. কুনজেশ্বর তেনসুবা*

*(হান্নগী মখা চথুজরকপা...)*

ইমাবেম গঙ্গাজলনা ঐবু মাগী ময়ানুপা ওইনবা শোয়দনা ফারগে খল্লম্বা ৱাখলদু থাদোকখ্রে হায়বসি শেংলে হায়না ঐনা লৌরম্মী। ঐনা থাজরুরিবা ৱাখলদু লাল্লম্লে। নুমিদাংগী চাক্লেন পীজরবা মতুংদা ঐগী ইনাক্তা ফল্লদুনা - য়ূম্বানবগী নুংঙাইরবা পুন্সিদু নোংদম্বনা মাগীনি হায়না তল্লম্লবা নিংঙোল অদুতগী মপান্না ফংগদৌরিবনি হায়বা মথন্তা ঙাঙজবা ৱারী লীশাং অমা লীদুনা ঐবু তাহনখি। বরদুগী মরল-মথুম, মহৈ-মশীন অমসুং শাগৈ-পূন্না মুন্না য়েংলগা হায়ন-শীংনদুনা লুহোংখিবা কয়া'মা কন্যাদুগী মরাইবক্তা নুংঙাইয়ু হায়বা তল্লমদ্রবদি পূম্নমক অরেম্বা তাখিবগী খুদম কয়া মমিং অমসুং লৈফমগা কোন্ননা চপ চাবা খুদম চাংদম পীদুনা ঐবু তাহনখি। নাকল অমরোমদনা অমুক, হায়ন-শীংনবগী থবক চথুরিঙৈ মতমদুদদি মথোঙ চাদবা য়ূম্বান ওইগনি, মরাইবক থীগনি হায়নরম্বা কয়া'মা নুংঙাইখিবগী ৱারী, অদুগা অমুক, লায়ররগা লাইরিক্তি য়াম্না হৈবা নুপা কয়া মখোয়না লৌরুবা চনুদুগী মপুরোইবা ওইবা ফংজরুবনা থাজদনা অঙকপা মওংদা শেল পায়খৎলকখিবা অমসুং ফমথোল কারকখিবগী ৱারী কয়াসু লীথরকখি।

লন-থুম, ফমথোন অমসুং মিংচৎকা ঐগা মাঙলমচত্তা মুক্লখিবা, য়ান্নখিদবা করিমত্তা লৈখিদ্রবসু লুহোংলগা নুপীগী মরল চাদুনা, মপাল তাংদুনা হিংনবা মখোয়বু ফংনিংবগী ৱাখলদুদি ঐঙোন্দ শম্না মফৈ অমগী মান পোক্তে হায়না অয়ৌবী থাক্তা ঙমজবী থাদুনা মঙোন্দা চেৎনা হায়খি, অদুগা মাগী মমোম লাংলেন্দু করিগুম্বা মওং অমত্তদসু মদুগুম মরাইবক থম্বাল শাৎপী নুপী অমা ওইগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা পীনিংঙাই মচাক অমত্তা লৈতে হায়নসু খুমখি। অদুম ওইনমক ঐগী অকিবা অমসুং অনিংবা অপাম্বা ৱাখল কয়াদু মানা নাথৈদুনা থমখি। চহী তরাহুমদোই চূপ্না মাগী খূবামনুংদা চেৎনা পায়শিন্দুনা থম্লুরগা তরাই তরাই ঐবু হেক নাম্থোকহনখিবদু মানা পামজদে। ইমানা মাবু নুংশিজবা অমসুং মখোয়নী কয়াগী মতিক নুংশিনজবা হায়বদু মানা ঐঙোন্দা মবূক্লিং নুংশিনা তমখি, মমা ওইবীশিংনা শক্লম্বা ৱাশকশিংবু মপারি ওইবশিংনা চাউরক্লগা মদুবু ঙাকপা হায়বসি মচাশিংগী হিক্তোকহৈদবা তঙাইফদবা মথৌনি, অদু নৎত্রদি লাইরমলেন্দা তিনখ্রবী মমাগী মিরেন্দুনা অরানবা থবক্তুগী অৱা-মৈশা লাংগনি। হায়নসু ঐঙোন্দা কন্না হায়রকখি। মাগী ৱাদু তারুবদগী ঐ য়াম্না শাথীনা তুজুংবা পোকখি অমদি ঐগী চোকথরবা থোপসিনা নাম্থোকচনবা লম্বী অমত্তং ফংনবা কঙাওননা কোয়চেল চেল্লিঙৈ তাঞ্জদুদা ইমাবেম গঙ্গাজলনা মাগী মমোমগীদমক লুপা চামঙাগী অউনপোৎ তল্লগা লুহোংবা য়াগদবা অফবা পাখংমচা অমা থংনরিবা খুলদুদা লৈরে হায়না পাইরক-পাইখুদা হায়রকখি।

ঐ অৱাবা লাংফমদু কোমথোকচবগী শ্বর মপী অমা হোন্দোকপা ফংজখি, অদুবু মদু মিকুপ অমত্তগী ওইখি। লুপা চামঙা! শেনফম অদু ঐনা কদায়দগী লৌরুগদৌরি? ঐনা অচুম-অরানগী ৱাখল কয়া চুংশিন্নদুনা মওল-মওল খঞ্জরম্মী। কুইরবগী মমাঙদা শিখ্রবী নুপী অমখক্লা শক্তোক্লম্বা কান্নদবা ৱাশক অমনা ঐবু করিগীদমক ফাজিন-পুনশিন্দুনা থমহনগদৌরিবনো? অদুম ওইনমক ঐনা ফনা কন্না থৈদোক্লবা হোৎনজরবসু ঐগী দায়ত্ব পুবগী ৱাফম অদুমদি লংশেক্তুনা শিখাঙ খাঙবা ঙমখিদ্রে। অপোকপী ইমামক্লা মদু পরৈ চেৎনা ৱাশক্তুনা হায়রম্লবনি অদুনা ঐনা নাম্থোক্তুনা চেন্নবা লম্বী লৈতে। মিকুপ্তুগী ওইনদি, শেনফমদু পুরগা ঐ থা অমগী মনুংদা শোয়দনা লাক্কনি হায়না ৱাশক্তুনা ইমাবেম গঙ্গাজলবু থাজহন্দুনা মবূক্লিং পেলহল্লম্লগা মফমদু থাদোক্তুনা হল্লকখি।

লুপা চামঙাদু ঙাবা য়াবা মীসি ঐনা খনবদা প্যারী মথন্তনি, অদুবু হায়রুগদবদু ঐ খরা খৌতক চাখি। মাগা উন্নখিদবা অমসুং মৱা মপাউগা তান্নখিদবসি চহী অমা হেনখ্রে। ঐনা পাটনা থাদোক্লবা মতুংদা মঙোন্দা ইখিবা চেবাউ অমখক্তু নত্তনা, অমদি মানা মদুগীদমক পীরকখিবা পাউখুমদু নত্তনা ইবানীগী মরক্তা ঈ-পাউ অমত্তা ফাওনখিদ্রে। অদুবু অঙকপা হায়বদুমক্লি, লাইরবী খুঙ্গং চনু অমা লুহোংনবগী শেল খরা থংবিয়ু হায়নিংবগী শেংলবা ৱাখলদু পুদুনা নোংমা নুমিদাংৱাইরম অমা ঐ পাটনাদা থুংখি। থোঙ্গাল লানশিন্দুনা ঐনা চঙখিবদা, য়ুনিফোর্ম শেৎলগা খন্ত্রাং ফল্লম্বা থোঙাকপা অনীদু মখোয়গী পুন্সিদা ঐগুম্বা অমত্তা উখিদ্রিবগী মতাগুম চাগদবগুম শংত্রিক য়েংলকখি। ঐগুম্বা ঈরুজদ্রবা, কোই কক্ত্রবা অমসুং চমোৎনবা ফিজোল শেৎপা মীশক অমদি মফমদুদা য়াম্না চুন্নদবা, মরিং-মরাংবা মীনি হায়মসে ঐ খঙই। হনুরবা অমসুং থৌগল্লোন নীংথিনা খঙলবা মাগী থোঙাকপদু প্যারীনা করিগীদমক শিন্দোক্তুনা মঙক কনবা শকখঙদবা মীশিংসি থল্লিবনো হায়বদু খল্লুবদা ঐ ঙকখি।

মখোয় অনীবু থৌশরুদনা চুমদ্রিং হেক্তা চঙখ্রসিরা নৎত্রগা চঙননবগী য়াথং অমা হান্না লৌহল্লুবনা ফগদ্রা হায়না খঞ্জাননা ঙহাক লাক্কক তৌনা লেপ্লিঙৈ তাঞ্জদুদা রতন ইমুংদগী চেম্থোরক্তুনা ঐগী খোঙ শোক্লা খুরম্লগা হরাউ মায়থোং উৎলদুনা হায়রকই - "মপান্দা করি তৌবিরিবনো, বাবু? ইমুংদা কোক হেক লেঙশিনবিরকপা কৈদৌবগে?"

"ঐ হৌজিক য়ৌরকপদা ঙাইরি, রতন। নখোয় করম-করম পাল্লি?"

"নুংঙাইজরি। সিড়ি মথক্লোমদা চুমদ্রিং হেক্তা কাখৎপিরো, বাবু। ঐ উন খরা লৈবা চৎচরুখিগে। মিকুপ খরগী মনুংদা থুনা হঞ্জরক্কনি।"

"নখোয় নবেম্মবু দলান মথক্তা লৈবরা?"

"অহোয়" হায়রম্লগা রতন চৎখ্রে।

য়ূমথক্কি মথক থংবা কাদা অৱাই-অখুম তৌনদুনা ৱারী শানবা, নুংঙাইনা নোকপগী খোঞ্জেল নুংশিৎনা হুমদুনা পুরক্তুনা ঐনা সিড়ি মথক্লোমদা কাখৎখিবদা তারকখি। ঐ শাথীনা ঙকখি, মরমদি ঐনা মমাঙদা য়ূমসিদা লৈরম্বা মতমদুদদি কা অসি কনামত্তনা শীজিন্দনা লৈরম্বনি। কাদুদা চৌক্রি, কাংথোন্নচিংবা পোৎ কয়া নাকল অমদা পৈশিন্দুনা থম্বনি-রতনখক্তনা করিগুম্বা কান্দা ৱাই শীৎপা, ঊফুল-ৱাইফুল কম্থোকপা চঙবদু মঙায়। ঐনা থোঙজাউদু লানশিন্দুনা চঙখিবদা হান্না ঙক্লা থোক্লম্বা মওংদুদগী অমুক্কা হেন্না ঙকপা মওং ওইখ্রে। নূংঙৌ থাবা লৈমায়দু হায়নিংঙাই লৈতনা ফজরবা গালিচা থারগা মদুগী মথক্তা অমুক পসোৎমুক ঙৌবা ফি কয়া তিংথোক্তুনা থারি। রেশমগী মোন্দুম মোন্তেক কয়া চোইনা চোইনা থম্মী অদুগা নুপা কাঙবু কাঙবুনা ফম্বোই-হিপ্পোই মদুগী মথক্তা ঙাথরদুনা লৈরম্মী। ঐ চঙলকপদুদা শ্বাই লাউরমগনি, মরমদি ভুত অমা উবগুম্বগী মওংদা মখোয় লোয়না ঐঙোন্দা তিংঙক-মায়ঙক্লনা য়েংলকখি। বঙ্গালী ভদ্রলোক্কুম ফৈজোম শেৎলবসু মখোয়গী মকোক্তা ঊপ্লিবা লৈরাং লোনবা মুস্লিমগী তুপিশিংদু উরুরগা মখোয়দু বিহারি মচাশিংনি হায়না ঐনা খনখি। পূংয়ৈবা অমা মাগী তল্লাগা লোয়ননা কাচিন অমদা ফল্লম্মী অদুগা মাগী নাকন্দুদনা ফজনা লৈরোং হৎলবা মুগাগী মমল য়াম্লবা সাড়ি শেত্তুনা লীক-কোলনা তেকথবমখৈ পূম্লং লংনা শীরদুনা মমাঙদা হার্মোনিয়ম অমা থম্লগা প্যারী বাইজী মশামক ফল্লম্মী।

মানা ঐঙোন্দা য়েংখৎলকপদা মমায়দু ঈচপমুক ঙাংশিনখি। মিকুপ খরগী (তেল্লবসু পূং কয়ামুক শাংবোই নিংখ্রবা মতম ওইখ্রবা) মতুংদা মাগী খৌগংলবা চীনবান্দুনা নোক্লিংদনা মোমোন নোক্লকখি অদুগা হরাউ তয়াম্বা মতৌ ঊৎলদুনা হায়রকখি, - "হৈমা! শ্রীকান্ট বাবু ওইরেকো। য়াম থাজদনা । পাটনাদা লাকপা কয়াম কুইরে?"

(মথং-মথং)